# মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব টিম এনা খুরাই পোলো ক্লব টিম এ মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল, জানুৱারি ১০ ঃ

লমদমসিগী খ্বাইদগী মমিং লৈরবা পোলো টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা ৩১ শুবা এন হজারি অমসুং ডো. এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৫-১৬ কী ৱিন্নর মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব টিম এনা ওইখ্রে।

ইম্ফালগী মপান কাংজেবুংদা মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিএশন্না শিন্দুনা চত্থরকপা ৩১ শুবা এন হজারি অমসুং ডো. এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৫-১৬ কী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব টিম এনা খুরাই পোলো ক্লব টিম এবু পাঞ্জল ৫-২ দা মায়থীবা পীদুনা লেমজনিংঙাই ওইরবা টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

ৱিন্নর ওইখ্রবা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব টিম এদা ত্রোফি অমসুং লুপা লিশিং ৫০ গী শেনগী মনা অদুগা রন্নর্স-অপ তাখ্রবা খুরাই পোলো ক্লব টিম এদা ত্রোফি অমসুং লুপা লিশীং ৩০ গী শেনগী মনা পীখি।

অপূনবা টিম ২৯ না শরুক য়াদুনা হৌখিবা মমাঙ চহীগী দিসেম্বর ২৭ তগী চত্থরকখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা লম্বা থেংনখিবা টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংবা মান্ননা শান্নখিবনা টিম অমনা অমবু লাকশিনবা ঙম্লখিদে। ঙরাং নোং চুখিবা মরম্না গ্রাউন্দগী ফীভম ঈশিং তুংদ্রবসু শগোল থৌদুনা য়াম্না য়াংনা শান্নরকপা মতমদা শগোল তুবা কয়া য়াওখি। লোয়ননা খুরাই পোলো ক্লব টিম এগী মমিং লৈরবা শান্নরোয় হাওবি অচুমী শগোলদগী তাদুনা মখুউ শোকপদগী হোস্পিটালদা লায়কন্নখি। গ্রাউন্দগী ফীভমদা শগোল থৌরকপা মতমদা অৱাবা ওইখিবা মরম্না মেচ অদুদা শান্নরোয়শিংগী হৈশিংবা কয়া ফুদোক্তুনা শান্নবা ঙমখিদে। অদুম ওইনমক শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংনা শান্নদুনা কা হেন্না অশোক অপনদি য়াওখিদে

মেচ অদুদা টিম অনীমক্না য়াম্না কম্পিটিটিভ ওইনা শান্নরকপনা মেচকী অহানবা অমসুং অরোইবা চক্রুদা টিম অমত্তনা পাঞ্জল চন্নবা ঙমখিদে। মণিপুর পুলিসকী এস বিমোল অমসুং অবুং খুমন্না পাঞ্জল অমমম অনীশুবা চক্রুদা চনখি। অহুমশুবা চক্রুদা এস বিমোল অমসুং টি ঐচ রঞ্জিৎ অমসুং ঐচ অবুং খুমন্না পাঞ্জল অমমম অমুক চন্দুনা টিমদুগী পূন্না পাঞ্জল ৫ শুখি।

খুরাই পোলো ক্লবকী পাঞ্জল অনী অদু পি ওজিৎনা মেচকী অহুমশুবা মিনিটতা চনখি। মেচ অদুগী মরিশুবা চক্রুদা খুরাই পোলো ক্লব টিম এগী শান্নরোয়শিংনা পাঞ্জল হন্দোক্নবা য়াম্না কন্না হোৎনখি। অদুবু খুরাই পোলো ক্লবকী হৈশিংলবা শান্নরোয়শিংগী মরাইবক লৈখিদবা মরম্না গোল ওইবা য়াবা খুদোংচাবা কয়া অরেম্বদা তাখি।

লম্বা থেংনখিবা টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিং থোইদোক্না হৈশিংলবা ইন্টরনেসনেল শান্নরোয় ঙাক্তনি। খুরাই পোলো ক্লব টিম এগী মায়কৈদা মমিং লৈরবা শান্নরোয় পি জোতিন, পি ওজিৎনচিংবা য়াওরিবনি। অদুবু খুরাই পোলো ক্লব টিম এ পাঞ্জল অনীদগী হেন্না চনবা ঙমদনা মেচ মায়থীদুনা রন্নর্স-অপ তাখি।

# বিরচন্দ্র ফুটবোল টুর্নামেন্টতা টি বি এস এফ এ টিম বি, য়ু য়ু এফ সি মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারি ১০ ঃ

টি ঐচ বিরচন্দ্র সিংহ ফুটবোল একাদেমি তাওবুংখোক্না শিন্দুনা ঙসিদগী তাওবুংখোক্তা লৈবা একাদেমি অসিগী স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা অন্দর-১০ অমসুং অন্দর-১৩ ষ্টেট লেভেল টি ঐচ বিরচন্দ্র সিংহ ফুটবোল একাদেমি টুর্নামেন্ট ২০১৬ চত্থবা হৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি ঙসি নুংথিল পাৎশোইগী জিলা পরিষদ থোকচোম শুমন্ত, এল্লাহবাদ বেঙ্ক পাওনা বজারগী চীফ মেনেজর বিরমালিয়া মুশাহারে, ডো. সি ঐচ মনোরঞ্জন, অধিকারিময়ূম মোচা অমসুং পোৎশংবম নিলকান্তনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

চহী ১০ মখাগী ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিদা তোঙান তোঙানবা টিম ৮ না গ্রুপ অনীদা শরুক য়ারি। অদুগা চহী ১৩ মখাগী টুর্নামেন্টদনা টিম ১৫ না গ্রুপ মরিদা শরুক য়ারি। ঙসি অহৌবা নুমিৎতা শান্নখিবা চহী ১০ মখাগী মেচতা টি বি এস এফ এ টিম বি তাওবুংখোক্না পময়াল এফ সি পাৎশোই গোল ৪-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। মায় পাক্লবা তাওবুংখোক্কী গোলশিং অদু ঐচ সুরদাসনা গোল অনী মেচকী ৬ অমসুং ৩৩ শুবা মিনিটতা চনখি। টি ঐচ পিয়াবোন্না গোল অনী মেচকী ১১ অমসুং ২৮ শুবা মিনিটতা চনখি।

ঙসি শান্নখিবা চহী ১৩ মখাগী মেচতা য়ু য়ু এফ সি উরিপোক্না এম এস সি মালোম গোল ২-১ দা মায়থীবা পীখ্রে। মায় পাক্লবা য়ু য়ু এফ সি উরিপোক্কী গোলশিং অদু শ্বামিকুমারনা ওন গোল অমা মেচকী ২৫ শুবা মিনিটতা চনখি অদুগা এম লময়ানবনা টিমদুগী অনীশুবা গোল মেচকী ৩৬ শুবা মিনিটতা চনখি।

# হেরোজিৎ ৱারিবম গোল্ড কপ হোকি টুর্নামেন্ট হৌদোকখ্রে



ইম্ফাল, জানুৱারি ১০ ঃ মণিপুর হোকিনা শীন্দুনা ঙসিদগী খুমন লম্পাক হোকি ষ্টেদিয়মদা ৩ শুবা হেরোজিৎ ৱারিবম অন্দর-১৪ গোল্ড কপ ২০১৬ টিম ৮ না শরুক য়াদুনা চত্থবা হৌখ্রে।

থা অসিগী ১৭ ফাওবা চত্থগদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা ফাম ইম্ফালনা কে ঐচ এস সি খোংমন গোল ১-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা মায় পাক্লবা ফামগী গোল অদু কে রোবিন্না মেচকী ৪২ শুবা মিনিটতা পেনালটি কোর্নরদা চনখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা হোকি য়ুনিয়ন লাইরিকয়েংবম লৈকায়না থাই থাংমৈবন্দ গোল ১০-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। চাউনা মায় পাক্লবা হোকি য়ুনিয়নগী গোলশিং অদু এ সুরেসনা গোল তরুক মেচকী ২০, ২৩, ২৭, ৩০, ৩৮ অমসুং ৪৩ শুবা মিনিটতা চনখি। কে ঐচ মাইকোলিন্না গোল মরি মেচকী ৬, ১৭, ১৯ অমসুং ৩৮ শুবা মিনিটতা চনখি।

হয়েং অহানবা মেচ অয়ূক পুং ৯ তাবা মতমদা থাই অমসুং এস ৱাই য়ু সিগা, অনীশুবা মেচ নুংথিল পুং ১২.৩০ তাবা মতমদা বি দি ঐচ এ অমসুং কে ঐচ এস সিগা, অহুমশুবা মেচ নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা সিও অমসুং হোকি য়ুনিয়নগা শান্নগনি।

# এস এস কে এমনা করাটেদোগী টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে

ইম্ফাল, জানুৱারি ১০ ঃ

সিটো রিয়ু সৈকো কাই করাটেদো মণিপুরনা শিন্দুনা খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা চত্থরকপা অনীশুবা এস এস কে এম ওপন ষ্টেট লেভেল করাটেদো চেম্পিয়নশিপ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা এস এস কে এমনা গোল্ড মেদল ১২, শিলভর মেদল ৭, ব্রোঞ্জ মেদল ৬ পূন্না মেদল ২৫ ফংদুনা টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

হৌখিবা জানুৱারি ৮ দগী চত্থরকখিবা চেম্পিয়নশিপ অসিদা আই এস কে এফনা গোল্ড মেদল ১০, শিলভর মেদল ৫, ব্রোঞ্জ মেদল ৬ পূন্না মেদল ২১ ফংদুনা টিম রন্নর্স-অপ তাখি। কোফুকানা গোলড মেদল ৬, শিলভর মেদল মরি, ব্রোঞ্জ মেদল মরি পূন্না মেদল ১৪ ফংদুনা অহুমশুবা তাখি। রিয়ু সিনকান্না গোল্ড মেদল ৩, সিলভর মেদল ৪ পূন্না মেদল ৭ ফংদুনা মরিশুবা পোজিশন তাখি। সাই, এস এ জিনা গোল্ড মেদল ২ অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল ১ ফংদুনা মঙাশুবা তাখি। নিহোন সিটো রিয়ুনা গোল্ড মেদল ১, শিলভর মেদল ১ ফংদুনা তরুকশুবা অদুগা বোদোবাস গোজু রিয়ুনা শিলভর মেদল ২, ব্রোঞ্জ মেদল ২ ফংদুনা তরেৎশুবা পোজিশন তাখি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী চহী ৮ মখাগী নুপাগী কুমিটেদা রিয়ু সিনকানগী টি লিক্সন্না অহানবা, এস এস কে এমগী এল য়াইফবনা অনীশুবা, এস এস কে এমগী ঐচ সনাতোম্বা অমসুং কোফুকানগী এম দি সোয়েব মখোয় অনীনা অহুমশুবা পোজিশন তাখি।

নুপাগী চহী ৯ দগী ১০ ফাওবগী কুমিটেদা কোফুকানগী পি ঐচ নেলসন্না অহানবা, গোজু রিয়ুগী এম দি সদাম্না অনীশুবা, আই এস কে এফকী এম ৱাংবা অমসুং বোজি রিয়ুগী এম দি মুজাহিদনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

চহী ১১ দগী ১২ ফাওবগী নুপামচাগী কুমিটেদা এস এস কে এমগী এল য়ুহেনবনা অহানবা, কোফুকানগী এস মালেমঙানবনা অনীশুবা, আই এস কে এফকী এম জোন অমসুং ঐচ রাহুলনা অহুমশুবা পোজিশন তাখি।

চহী ৯ দগী ১০ ফাওবগী নুপীগী কুমিটেদা আই এস কে এফকী ঙাম্থোইনা অহানবা, নিহোন সিটো রিয়ুগী এল ইচন্না অনীশুবা, রিয়ু সিনকানগী টি অঞ্জনা অমসুং এস এস কে এমগী ৱাই হেনরিতানা অহুমশুবা পোজিশন তাখি।

নুপীগী চহী ১১ দগী ১২ ফাওবগী কুমিটেদা নিহোন সিটুরিওগী এল কবিতনা অহানবা, এস এস কে এমগী ঐচ রোসনিনা অনীশুবা, আই এস কে এফকী কে ঐচ রোসনি অমসুং কোফুকানগী টি ঐচ কেথা চনুনা অহুমশুবা তাখি।

নুপীগী চহী ১৩ দগী ১৫ ফাওবগী কুমিটেদা আই এস কে এফকী টি ঐচ রোজিনা অহানবা, আই জেনিরোজনা অনীশুবা, কোফুকানগী এস ঐচ সুনিতা অমসুং সাইগী এন সিমানা অহুমশুবা তাখি। চহী ১৬ তগী ১৭ ফাওবগী জুনিয়র গার্লস কুমিটেগী কেজি ৪৫ মখাগী কাঙলুপ্তা এস এস কে এমগী এম নাওবীনা অহানবা, কেজি ৫০ মখাগীদা সাইকী এল জিবনলতানা অহানবা অদুগা কেজি ৫৫ মখাগী কাঙলুপ্তা এস এস কে এমগী কে ঐচ নন্দিতানা অহানবা পোজিশন তাখি।

# সেনিয়র ৱিমেন'স ফুটবোলদা মণিপুর সেমী ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, জানুৱারি ১০ ঃ মধ্য প্রদেশকী জবলপুরদা চত্থরিবা ২১ শুবা সেনিয়র ৱিমেন'স নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ (ফাইনেল রাউন্দ) ২০১৫-১৬ তা মণিপুর টিম গ্রুপ বিগী ৱিন্নর ওইদুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মণিপুরগী অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেল লীগ রাউন্দগী মেচতা উরিষাবু গোল ৪-০ দা মায়থীবা পীখি। মায় পাক্লবা মণিপুরনা থা অসিগী ১৩ দা সেমী ফাইনেল মেচ শান্নরগনি। অদুম ওইনমক সেমী ফাইনেলদা মণিপুরনা হয়েং রেলৱে অমসুং হরিয়ানা অনীনা শান্নগদৌরিবা মেচ অসিগী ফলগী মতুং ইন্না কনাগা শান্নগদগে হায়বদু খঙবা ঙম্লগনি।

















HL-B/2819/3to17 (alt.)
HL-B/2835/8/12to8/01
HL-B/2883/8,11,14,17,20,23,25,28,31,4 feb.
HL-B/2805/9,11,13,15,17,19,21




Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com